সেবা হি সঙ্ঘথন ফেজ টুগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী দিপার্টমেন্ট ফোর কোওর্দিনেসন ওফ ট্রষ্টকী ইন-চার্জ লাইশ্রম থানিলনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাঙখিবা

স্কিম ৱার্করশিংনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ তাল্লদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা চঙশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা আশা ৱার্কর, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি মিদ দে মিল ৱার্কর কয়ানা শরুক য়ারগা ইরাবত ভবন কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

গ্রীন মণিপুর মিসনগী শরুক অমা ওইনা হাওবম মরক সোসল য়ুনিয়ন ক্লবকী থৌমীশিংনা ক্লব অসিনা কোনবা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়গী মফমশিংদা উহৈ পানবা য়াওনা মখল কয়াগী উ চারা কয়া থাখিবা

এম পি এস সীগী মেম্বর ওইনা নৌনা খল্লক্লবা হান্নগী পি সী সী এফ রিটয়র্দ আই এফ এস ডা. লোখো পুনিবু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কালিনামৈ ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা জুন ১৬তা স্কুল ফী অমদি ষ্টাফ সেলেরিগী মতাংদা থোকখিবা ওর্দর রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ন ওর্গনাইজেসন (এ এম এস জি ও), মণিপুরগী সেক্রেটরি সুমতি শৌগ্রাকপমনা খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট অমদি গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুলশিংসু এদ্যুকেসন পোলিসী অমা শেম্বীয়ু। পোলিসী অদুদা ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈরিবা ক্লাসরুম অমদা লৈগদবা মহৈরোয়গী অকক্লবা মশীং লৈহনবীয়ু। এদমিসন ফী অমদি ট্যুসন ফীদসু য়ুনিফোর্মিটি মেন্টেন তৌবীয়ু অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুং অসিদা গভর্ণমেন্ট এদেদ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং লেম্না মহৈ-মশিন তমহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা পোলিসী অমা শেম্বীয়ু হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): অমুকোনা ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লিয়ু ও ভিএ) অমদি এন ঈ য়ু সী ওগা পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্টকী তেঙান তেঙানবা খুল ৯দা চীঙাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীঙাক্কী পোৎলমশিং অসি মতেং পাঙবগী খোঙচৎতা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানি অমদি এন ঈ য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম ওরেন্দ্রো মীতৈসু শরুক য়াখি। ক্লব ৪২গী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এন ঈ য়ু সী ও) অমদি এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ, তেলৌ য়ুনিটনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা শন্নুংখোক খুঞ্জাও, চনা, কমেং খুনৌ, নোংপোক ককচিং, সেক্তা, ফকুং, ৱাইরি, মনি য়াইস্কুল খুল, শওম্বুং কবুই খুঞ্জাও অমসুং তেলৌদা চীঙাক্কী পোৎলমশিং অসি মতেং পাঙখিবনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা. য়ুম্নাম মোহেন্দ্রনা লৈখিদবদা ৱর্ল্ড মৈতৈ কনভেন্সননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড মৈতৈ কনভেন্সনগী সেক্রেটরি জেনরেল য়াম্বেম অরুন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা ডা. য়ুম্নাম মোহেন্দ্র মীতৈ কম্যুনিটিবু কন্ননবা চঙশিনখিবা মুভমেন্টপু লমজিং-লমতাক্লম্বা মীশক অমনি। মহাক্না লুচিংলমখিবা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি অসিনা কুমজা ২০১৬ অমসুং কুমজা ২০১৯দা মীতৈশিংবু এস টিগী লিষ্টতা চলহন্ননবা ইম্ফালদা মীওই লাখ কয়ানা শরুক য়াদুনা মাস রেল্লি পাঙথোকখিবনি। ডা. মোহেন্দ্র অথৌবা য়েলহৌমী অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজরি।

কেম্প্যেন হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টরশিং এক্সপান্সন তৌখিবা অদুদা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)গী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম পি রাম চন্দ্র প্রসাদপু য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর ফোর ষ্টীল ওইনা হাপ্লকপবু হরাওবা ফোঙদোক্তুনা মিনিষ্টর অসিগী রেসিদেন্সিএল ক্বার্টরদা জে দি য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হংখানপাও তাইথুলনা লুচিংদুনা অচম্বা খুদোল তমখ্রে। য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর রাম চন্দ্র প্রসাদনা অথুবদা মণিপুরদা লাক্তুনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সন ২০২২গী কেম্প্যেন হৌদোক্লগনি হায়না জে দি য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

হারগী মমল লৈঙাক্লা অহোঙবা মমলদা লাউথোকপীয়ু : এম এস এফ

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): হারগী মমল লৈঙাক্লা অহোঙবা মমলদা লাউথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমগী নোংমরাং কায়না চুদবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরিঙৈ চৈরক অসিদা লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াননবা কন্না হোৎনদুনা লৌ উবা খরা খরা য়ারক্লবা মতম অসিদা অমুক হারগী মমল ৱাংবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা অদুক্কী মতিক ৱানরে। লৌ উবদা চঙদবা য়াদ্রবা ফর্টিলাইজরশিং অমুক মমল ৱাংনা য়োনবা থেংনরকপা অসিনা মরম ওইরগা লৌ উনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিল্লির কাঙবুনা লৌমীশিংগী ৱাৎতনবা ফর্টিলাইজর কয়া পুথোকপীরকপা অদুদি থাগৎনিংঙাই ওই। অদুবু মমল তাঙনা দিল্লির কাঙবু খরনা মশাগী শেন্দোংগীদমক্তা য়োল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা ফর্টিলাইজরগী মমল অসি মীয়ামদা অহোঙবা মমল অমা অথুবদা ফঙহল্লু। মদু নৎত্রবদি লৌমীশিংদা হেন্না অৱাবা চৈথেং পীরগনি।

কোভিদকী লুরবা লাল্লক অসিদা মীওইবা কয়াগী চীঙাক পুথোক্কদৌরিবা লৌমীশিংদা অৱাবা পীরগদি ইরমদম অসি চাথোক-পোথোক্তা মীপাল তাঙবা হায়বদু ওইরগনি। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা লৌমীশিংগী খল্লগা হারগী মমল ৱাংনা য়োল্লিবা অসি য়েংশিনবীয়ু। অদুগা অথুবা মতমদা অহোঙবা মমলদা হারগী মমল লাউথোকপীয়ু। মফম কয়াদা হারগী মমল লুপা ৫০০ দগীনা লুপা ১০০০ রোমদা য়োল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংনা ফংখ্রবা হারগী এলোকেসনশিং অদু লৌমীশিংদা মতম চানা ফংহল্লু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

মীওই ২ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ন্যু চেক্কোনগী ত্রাফিক আইলেনগী মনাক্তা মোটোর বাইক বুলেট থৌরকপা নুপা অমনা খামদুনা লৈরম্বা ট্রক অমগী মমিংদা খঙহৌদনা থোমজিনবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং মুক্তা ওইনাম (৩৭) কৌই। মহাক শীংজমৈ ৱাংমা ব্রহ্মপুর ভৈগ্যপতি লৈকায়দগীনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা শগোলশেল নুমীৎকী নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা ফর্ষ্ট এম আরগী কেম্পস মনুংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবা পরেং লেপ্তুনা ঙাইরিঙৌ পুলিস পর্সনেল অমা লেকথরকপদগী রিমসতা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং কাঙৌগিন সিংসিৎ (৩৬) কৌই হায়রি।

ককচিংদা য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা টেষ্ট তৌবা হৌবদা পোজিটিভ অমখক থেংনখি

ককচিং, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎলক্লিবা থবক্কী মনুং চন্না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ৯দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর এম ঈ দি-১৭০৬/১২/২০২০-ঐচ এস-হেল্থগী মতুংইন্না য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থবক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি ককচিং চুমনাং লৈকায়দা অহানবা ওইনা টেষ্ট তৌখিবদা য়ুমথোঙ ৮১গী মীওস ১৬২ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমখক পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অদুগী মতুংইন্না দি সী, ককচিংনা থোকপা ওর্দর অমদা ঙসি ককচিং চুমনাং ৱার্দ নম্বর ৪গী এরিয়াদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরি য়েংখোম অমসুং এদিসনল এস পিনা য়াওনা অকনবা ঙাক শেনখিবগা লোয়ননা কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমদি লোকেল ক্লবকী মীহুৎশিংগা লোয়ননা য়ুম-য়ুমগী মীওই ২/২ টেষ্ট তৌবগী থবক চথুখি।

কোভিদ-১৯ টেষ্টিং টিম ককচিংগী ইন-চার্জ ডা. পুখ্রম্বম রোবিননা লুচিংবা টিম অমনা চথুখিবা টেষ্টিংগী মতাংদা ডা. রোবিননা হায়, লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থিংননবা পীরিবা এস ও পি অসি ঙাক্লকত্তবদগী কোভিদ-১৯ অসি শন্দোরক্লিবনি। হন্দক চয়োল অমমুক অসিদা অমুক হন্না ককচিং এরিয়াদা অমুক্লা হেন্না পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি ৱাংখৎলকপা থেংনরে। কোভিদ পোজিটিভ ওইরবশিংনা টেষ্ট তৌথোক্তবীদা য়ুম-য়ুমদা লৈশিল্লগা লৈকায় মনুংদা শন্দোরকপদগী পোজিটিভ ওইবগী মশীং অসি হেনগৎলকপদগী য়ুম-য়ুমদা চঙলগা টেষ্ট তৌবগী থবক অসি লৌখৎলকপনি। মখা তারকপদা মথক থোংবা ওফিসলশিংগা তান্নদুনা টেষ্টিংগী টিম অসি মশীং হেনগৎহন্দুনা খরগা হেন্না পাক শন্না য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা টেষ্ট তৌথোকপগী থবক অসি চথুনবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংলগা মীপুম খূদিংমক কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোকহন্ননবগী মতাংদা লাক্কদৌরিবা এসেম্বলী মীখলদা শীংজমৈ এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা ওইনাম রোমেনগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা ৱিমেন্স ৱিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওইনাম রোমেননা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইনা হৌজিক মায়োক্লুরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি মীপুম খূদিংমক শুংশোয় শোয়দনা ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভেক্সিন কাপথোকপা অসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈত্রি। মীয়ামদা ভেক্সিন অসিগী মতাংদা এৱ্যের্নেস নীংথিনা পীরবদতা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোক্লিংবগী অপাম্বা পোক্লক্কনি।

লমদম অসিদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং য়াওদনা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা মীয়ামদা ভেক্সিনেসনগী এৱ্যের্নেস পীবা অসিদা ৱিমেন্স ৱিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। ৱিমেন্স ৱিং অসিনা শীংজমৈ এ সীদা পোলিটিক্সতা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা নত্তনা কোভিদ-১৯না অৱাবা তারবা মীয়ামদসু মতেং পাংদুনা লাক্লি। ৱিমেন্স ৱিং অসি মীখল খত্তগী য়েংলগা শেমখিবা নত্তে। অৱা-অনা তারবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োক্লুরিবা মীয়ামদা মতেং পাংনবা অমসুনি। মমাঙথক্তসু ৱিমেন্স ৱিং অসিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পেট্রোল, দিজল অমসুং চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎহল্লগা মীয়ামদগী ফোংনা লুট তৌবা লেপ্লো : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): পেট্রোল, দিজল অমসুং চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎহল্লগা মীয়ামদগী ফোংনা লুট তৌবা লেপ্লো হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভকী হায়ফম খঙদ্রবা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরবা মীচম-মীয়াম অমসুং মিদল ক্লাসতা লৈবশিংগী অখন্নবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎননবা হোৎনদনা পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জিগী মমল তোয়না হেনগৎহল্লিবা অসি মীয়াম্না ৱানা তুংশিঞ্জবা শেনফমশিং ফোংনা লুট তৌবনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা লৌই।

চেরোল অসিনা হায়, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল হেনগৎহনখিবদগী হিংবদা চঙবা তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল খঙহেন হেনগৎলকপগী মথক্তা তঙাইফদনা অনা-লায়েংগীদমক লায়েংশঙশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা শেম্ভোক নেম্বা ইমুং কয়াদসু গাড়ী অতোংমল হেনগৎলকপগী অৱাবা মায়োক্লুহল্লি। মসিদসু নত্তনা খারিফ লৌরোক্কী শেম-শানরিবা লৌমী কয়াসু ট্রেক্টর, পৱার টিল্লর অমসুং ৱাটর পম্পশিং শীজিন্নবদা তঙাইফদনা চঙলিবা দিজল থাউ লৈনবা হোৎনবদা শেল পুথোকপা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লু হল্লি। অসিগুম্লবা হায়ফম খঙদ্রবা অৱাবা মায়োক্লুরিবা অসি লৈবাক অসিগী মীপুম পুম্নমক্লি। মসিদা বি জে পিগী লুচিংবা ৱার্কর অমদি পার্টি অসিবু শৌগৎলিবশিংসু য়াওরিবনি।

মীয়ামগী অৱাবা খঙশিন্নদ্রবা লৈঙাক অসিনা পৱার খক মীহৌবদগী মথং চহীগী অঙনবদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট মঙাগী এসেম্বলী মীখলদা পার্টি অসিগী ইলেক্সনগী ফলদা চাউনা মতেং পাঙলিবা কোর্পোরেট মপু খরগী শেন্দোং ৱাংহন্ননবা থাউগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, তামিল নাদু, কেরলা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পোদুচেরিগী এসেম্বলী মীখলদা পার্টি অসিনা পৱার পায়বা ঙম্লনবা কোর্পোরেট মপুশিংগী চাউরবা শেনফম শীজিন্নরুবদা অসাম নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিংদা চাউনা মায়থীবা নংখি। মীখল ফল লাউথোকখিবা মতুং মে ৪দগী জুলাই ১০ ফাওবদা পেট্রোল অমসুং দিজল থাউগী মমল থেঞ্জাং ৩৪ রক হেনগৎহনখ্রে। খোঞ্জাং অসিনা লৈবাক্কী শেন্নীৎলোন করম্না চাউখৎহনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বদু বি জে পিগী ৱার্করশিংসু মখোয়গী লুচিংবশিংদা হংফম থোকই। পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জি গ্যাসকী মমল খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা য়ুমগী মকুপ-মতা পুরিবী নুপী খুন্নাইদা হেন্না অৱাবা মায়োক্লুহনবনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স ফাওবা থোক্লরক্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী ঙাকথোক্লনবা পুম্নমক্লা লিংজেল অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা চঙই। থেংথরবদি মশীং য়াম্লবা লায়রবা ইমুং কয়া চাবা ফংদবদগী শিবা মশীং য়াম্লক্কনি। লোয়ননা খাঙবা ঙমদ্রবা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ শাগৎনরক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্লবা য়েন্থোকখ্রে

য়াইরিপোক, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): সেবা হি সঙ্ঘথন অনীশুবা ফেজগা মরী লৈননা লাইশ্রম থানিল মৈতৈ এক্স-কেন্দিদেট ৩২-ৱাংখেম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি ইন-চার্জ দিপার্টমেন্ট ফোর কোওর্দিনেসন ওফ ট্রষ্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা ৩২-ৱাংখেম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্নালৈবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়, চরাংপাৎ মনিং লৈকায়, য়াইরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়গী য়ুমথোঙ ১৫০দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি ফেস মাস্ক হকথেংননা চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা লৈখিদ্রবা ইমুংশিংদা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখি অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী মরমদা এৱ্যের্নেস পীদুনা গভর্ণমেন্ট অসিনা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি অমদি মীয়াম পুন্না ভেক্সিন কাপথোকপীনবা হায়জখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা করম্বা মতমদা হার ফংহনবীগদৌরি : জে এন জি ভি ও

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা করম্বা মতমদা হার ফংহনবীগদৌরি হায়না জোইন্টনন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও), ককচিংগী মায়কৈদগী হংলক্লি।

জে এন জি ভি ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোমেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মফম অতৈ খরদা মতম চানা ঈশিং ফংখিদবনা লৌ পানবা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লবা য়াওরবসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি লৌফম অয়াম্বা লৌ পান্নরে হায়বা য়ারে। মতম অসিদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক, মরুওইনা য়ুরিয়া চাইবগী চপ চাবা মতম অদু য়ৌশিল্লক্লে। অদুবু য়ুরিয়া ফংদবগী অৱাবদি মায়কৈ অসোমদা হৌজিকসু মায়োক্লুরি। ৱাফম অসি মমাঙদসু মীদিয়াগী খুথাংদা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জখ্রবনি। দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, থৌবালদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী লাল্লকসিদা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লিব্রা, ঙাক্তব্রা অয়ুক্তগী হৌনা য়ুরিয়া বেগ অমগীদমক য়োমশিন্নরি। মফম অসিদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু য়ুরিয়া লৌগদবনি হায়রবদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমীশিংদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনবদা নত্তনা ঐখোয় পুন্না কোভিদ-১৯ নামিন্নরো হায়বগী ফীভম লাকপসু য়াই। লোয়ননা লৌ শুজগদবা মতম পুম্নমক অমদি চৎথোক-চৎশিনদা শেল ময়াম অমা মাঙহন্দুনা লৌমীশিংদা মরম চাদনা ওৎপী-নৈবীবগুম্বনি।

মমাঙ চহীশিংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথৌ তাবা য়ুরিয়াশিং ককচিং লমদোং গোদাউনদা থল্লগা কন্সটিট্যুএন্সি ৱাইজ মফম চানা চানা লৌমীশিংদা মতমসু মাঙহন্দনা ফংহনখিবগুম হন্দক চহীগীসু এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীননবা জে এন জি ভি ও, ককচিংনা আপীল তৌজরি।

অমরোমদা, মার্কেটতা মমল ৱাংনা লুপা ৭০০/৮০০দা লৌমীশিংনা করিগুম্বদা ফংলবসু মমল ৱাংমনবনা লৈবা ঙমদবনা হেন্না লাংতক্লুহল্লি। মসিদসু মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খুভমশিং কনবীয়ু : পন্দিত লোয়শঙ

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মহৌশাদগী তখেল খোংগী মমাঙদা লৈরিবা মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ মরুওইনা মাইবা লোয়শঙ, পেনা লোয়শঙ, মাইবী লোয়শঙ, তানয়ে লোয়শঙ অসি কুমজা ১৯০৩দগী কংলাদগী হোংলক্তুনা মফম অসিদা লৈরক্লিবা অসি চহী ১১৮ শুরবনি। লৈবাক্কী অরুবা তানফমদা লৈবাক্কী য়াইফনবা হায়দুনা অৱা-অনা থিদনা হৌজিক ফাওবা লোয়শঙ খূদিংমক্লা মফম অসিদা লাল্লুপ পুদুনা লৈবাক্কী অরুবা লাই অহুম্বু শাগোন্নদুনা লৈঙাক লৈকন তৌদুনা লাই তায়নদুনা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি হায়না মণিপুর পন্দিত লোয়শঙগী পন্দিত অচৈবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইবুধৌ পাখংবা, লাইনিংথৌ নোংশাবা, ইমা ইবেম্মা য়ুমজাও লাইরেম্বী লৈরিবা খুভম অসিদা কাংগী চাকা থমগনি হায়রিবসি য়াম্না তায়ওন্নবা খোঙথাংনি। য়ুমজাও লাইরেম্বী খুভম অসি কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা মতমদা অঙোম পোকপা, নিংথেম পোকপগী লাইফমদগী লৈকন তৌবা মতমদা ফংলকপা পোৎশকশিং অদু ইমা ইবেম্মা য়ুমজাও লাইরেম্বীগী লাইমাংদা পুরক্তুনা খরুংনা উপ্তুনা নুমীৎ মঙানি থমগনি। মসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা লাইগী খুভমশিং অসি মাঙহনবীগনু। মসি মুথৎলবদি মৈতৈ মুথৎকে হায়বগা চপ মান্নে। মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা মৈতৈ লাইনিং চৎচরিবা ঐখোয়বু নুংশিবীদুনা ইবুধৌ পাখংবা, লাইনিংথৌ নোংশাবা, ইমা ইবেম্মা য়ুমজাও লাইরেম্বীগী খুভমশিং অসি কনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনবু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা য়ুনিয়ন কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওহনবীদুনা এদ্যুকেসন অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী পোর্টফোলিও শীন্নবীবগীদমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দাবু থাগৎলি হায়না মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ৱিমেন্স ৱিংগী চ্যেরপর্সন নোংথোম্বম অনুরাধানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ডা. আর কে রঞ্জনবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা খূদিংমকপু মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটি ফ্রন্ট, ৱিমেন্স ৱিংনা ঈকায় খুম্নজবগা লোয়ননা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মণিপুর দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্ট, ৱিমেন্স ৱিংনা মণিপুরগী এম পি অমবু য়ুনিয়ন কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওহনবীয়ু হায়জখিবা ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোকপীরে হায়না ৱিমেন্স ৱিংনা লৌজে। ডা. আর কে রঞ্জননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এদ্যুকেসন অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়র্স ওইরকপা অসিনা লৈবাক অসিদা এদ্যুকেসনগী লমদা, ঈং-তম্পা পুরকপদা অমদি লৈবাক অসিগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। রাজকুমার রঞ্জননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমা ওইবগী চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা থবক পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

মতেং পাঙবীনবা হায়জরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): নোঙ্গ্রেন চীংনুংখোক জি পিগী প্রধান এম বিলাশিনিগী মীৎয়েং মখাদা ওক্সু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা সী এম ও, ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা ওক্সু নিংথেমচা খুলদা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং চথুদুনা মীওই ২০০ হেন্না টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৪ অমসু পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়রি।

প্রধান এম বিলাশিনিনা ফোঙদোরকপদা, ওক্সু নিংথেমচা খুলদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরকপা মাস টেষ্টিং অসিগী অহানবা নুমীৎতা মীওই ২৪ অমসুং ঙসি অনীশুবা নুমীৎতা মীওই ২৪ পুন্না মীওই ৪৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। খুল অসিগী য়ুমথোঙ অয়াম্বগী মীওইশিং পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা অসিনা মীপায়বা কয়া লৈরে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা খুল অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং পাঙবীয়ু।

‘লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন প্রোজেক্টকী পম্প অমসুং ট্রান্সফোর্মর অথুবদা শীন্দোকপীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন প্রোজেক্টকী পম্পশিং অমদি ট্রান্সফোর্মর অথুবদা লৈঙাক্লা শীন্দোকপীয়ু হায়না লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা আপীল তৌরক্লি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন এন সনাজাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী ৩০ হেন্না কুন্দুনা লৈরুরবা এল এল আই প্রোজেক্ট বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা ঙসিদি লৌ উননবা ঈশিং ফংহনবীবগীদমক লৌমী কয়ানা সী এমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অদুবু প্রোজেক্ট অসিগী পম্প হাউস অহুম লৈবগী মনুংদা পম্প হাউস নম্বর ৱানগী পম্প অনীখক্তং নত্তনা অতৈদি চলাইবা য়াদদুনা লৈরে। পম্প হাউস নম্বর টুগী পম্প চলাইবা য়াদদুনা ইম্ফাল হায় লেভেল কেনেল অমদি পম্প হাউস নম্বর থ্রীগী মোইরাং হায় লেভেল কেনেল ঈশিং মনা অমত্তা পীবা ঙমদ্রি। হৌজিক পম্প হাউস নম্বর ১গী পম্প অনীখক য়ারিবসিনা অৱাংলোমদা ইম্ফাল মেন কেনেলগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ১০না কোনবা মফম অমদি মখারোমদা মোইরাং লো লেভেল কেনেলগী কিলোমিটর ৮না কোনবা মফমদা ঈশিং পীবা ঙম্লি।

পম্প অমদি ট্রান্সফোর্মরশিং অসি চহী ৪০গী মমাঙদা ইন্সটোল তৌখিবনা অকায়-অতোয় পীক থনবগা লোয়ননা নীংথিনা সর্ভিস তৌবা ঙম্লক্ত্রে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মরুওইনা ৱাটর রিসোর্চ দিপার্টমেন্টনা পম্প হাউস অহুমমক্কী পম্পশিং অমদি ট্রান্সফোর্মর শীন্দোক্লবা হোৎনরিবদু খরিফ সিজন য়ৌদ্রিঙৈদা শীন্দোক্তুনা ইন্সটোল তৌবীয়ু। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কোভিদ লায়না লাইচৎতগী মণিপুরগী মীপুম খূদিংমকপু কন্ননবা তুম্বা, চাবা থিদনা হোৎনবীরিবসিগী মরক্তা মীকুপ খরদং ওইরবসু কায়থোকপীদুনা অথুবদা এল এল আই প্রোজেক্টকী অনৌবা পম্পশিং অমসুং ট্রান্সফোর্মর খীনবীনবা শীনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ডা. আর কে রঞ্জননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরকপসিদা অহোংবা খরদি পুরক্কনি থাজনরি : এম পি পি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরকপদা অহোংবা খরদি পুরক্কনি থাজনরি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী পোর্টফোলিওশিং পীরকপদা মণিপুর পিপলস পার্টিনা মোদি লৈঙাকপু থাগৎপগা লোয়ননা ডা. রঞ্জননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচৌবা থৌ পুবা ফংলকপগী নুংঙাইবদসু শরুক য়ারি। ডা. আর কে রঞ্জন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী ওজা অমা ওইবদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার, রেজিষ্ট্রার অমসুং কোলেজ দিভেলপন্টে কাউন্সীল (সী দি সী)গী দিরেক্টর ওইদুনা হায়র এদ্যুকেসনগী মরমদা কুপ্না খঙবদা নত্তনা ইনভাইরনমেন্টলিষ্ট অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট ওইনা লমদম অসিগী মীয়ামগী কথোক্তুনা লাক্লবা লুচিংবা অমা ওইনা এম পিনা থাজবা থম্মী। ডা. আর রঞ্জননা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরকপগা ঈরোয়ননা হায়র এদ্যুকেসন, এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী হীরম খূদিংদা অৱাৎপা লৈরম্বশিং শেমগৎ-শাগৎপদা শরুক য়ানবা তাঞ্জা অমা পীরক্লিবা অসি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা খুদোংচাবশিং অসি লৌদুনা মণিপুরসু এদ্যুকেসনগী লমদা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মরক্তা য়াওহৌবা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই।

মণিপুর মীয়াম্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা মতমগা চুনবা মহৈ-মশিন তম্নবা মচা-মশুশিং মপানদা মহৈ তম্বা থাবদা অচৌবা শেনফমশিং চৎখিদনবা অমসুং মপানদা চৎলগা মহৈ তম্বা ঙমদ্রবশিংদা মতমগা চুনবা মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা ফংহন্ননবা মখল কয়াগী কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপীনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জনগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈদা য়ুংলিবা বোর্দর পিল্লরশিংগী মতাংদা উংখৎনবা কয়া ইতৎ-তৎতনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা থোক্লিবা অসিগী তুং কোয়বা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা থৌরাং অমা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী থৌ পুরিঙৈদা মণিপুর মীয়ামগী তুংগী মীরোলগী য়েংলগা মতিক চাবা থবক পায়খৎপীয়ু। হায়রিবা ৱাফম অসি থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি।

বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদা লৈরিবা মৈতৈ ইচিল-ইনাওশিং তংদু-লৈতানা লৈহন্ননবা মীৎয়েংসু চঙবীয়ু। লোয়ননা চহী ৩ হেন্না এম য়ুগী রেগ্যুলর ভাইস চান্সেল্লর হাপ্তুনা লৈরক্লবা অমসুং অনৌবা ভি সী হাপ্পনবা ইন্টর্ভিয়্যু লোইখ্রবা হায়দোক্তনা লৈরিবা অসি লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা হায়দোকপীননবা থৌরাংশিংসু এদ্যুকেসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

স্কিম ৱার্করশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী স্কিম ৱার্কর মরুওইনা আশা ৱার্কর, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি ফংফম থোকপশিং পীথোকপীদবগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চঙশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুরদসু স্কিম ৱার্করশিংনা হায়রিবা দিমান্দশিং অসি তাল্লদুনা ইরাবত ভবন কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাকৎ মীফম অদুদা এ আই টি য়ু সী, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, ওল মণিপুর আশা ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ পুর্ণিমাশি, য়ুনিয়ন অসিগী ত্রেজরর কে সনাহনবী, অর্বান এরিয়াগী লুচিংবী ও প্রমোদিনি অমদি ঐচ কুঞ্জরানি, মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্করস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং, ট্রেদ য়ুনিয়ন অসিগী ইম্ফাল সিটি লুচিংবা এল সুবোলনচিংবনা শরুক য়াখি।

আশা ৱার্কর অমদা থা অমগী ওইনা শুপ্নতগী ইন্সেন্টিভ ওইনা লুপা ২০০০ খক পীবীরগা থবক্তি হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী শাথিরবা লান্থেংং কয়াগী মরক্তা লৌরিবা থৌদাং অদু খঙবীদে। আশা ৱার্করবু শকখঙবীদুনা তোঙান-তোঙানবা মতেং পাংবীরকখিবা অদুবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্লা চপ চাবা রেগ্যুলেসন অমা শেম্বীদুনা তৌফম থোকপা থবক তৌহঞ্জন্নিংই। অমরোমদা, মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী ওনেরেরিয়মবু শুপ্নগী লুপা ১০০০/২০০০ খক চহীদা থা ১০ খক্কী পীবীরিবা অসি লৈঙাক্লা খন্থবীবা চঙই। অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পরশিংদা পীরিবা ওনেরেরিয়ম অসি হৌজিক্কী মতমদা হেনগৎফম থোকই। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ষ্টেট লৈঙাকশিংনা সেন্টরনা পীরিবা শেনফম অসিগী মথক্তা বডজেট এলোকেসনদা হাপ্তুনা স্কিম ৱার্করশিংগী তৌফম থোকপা থবক লৌখৎপীখ্রে অমসুং ওনেরেরিয়ম অমদি ইন্সেন্টিভ মশা-মশাগী ষ্টেটশিংনা তোঙান্না পীবীখ্রে। মসি ষ্টেট লৈঙাক্লা খঙবীদনা লৈরিবসি তানফম অসিদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌখৎপীয়ু। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থৌরাংদি তৌহঞ্জনিংদে। তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অসি লৌখৎপীদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই। স্কিম ৱার্করশিংগী মরুওইবা দিমান্দদি ৱার্করশিং অসিবু লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ইমপ্লোয়ী ওইনা শকখঙবীয়ু অমসুং থা অমদা য়ামদ্রবা লুপা ১৮,০০০ ফংহল্লু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।